# ম্যুনিসিপাল মীখলদা চাওনা মায় পাকপদগী মমতানা মীয়াম্বু থাগৎখ্রে



কোলকটা, মার্চ ০২ (এজেন্সী):
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ম্যুনিসিপালিটি ১০৮গী মনুংদা রুলিং তৃনামুল কোংগ্রেসনা ম্যুনিসিপালিটি ১০২ ফংখিবগা লোয়নননা ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জীনা মীয়ামবু থাগৎখ্রে।

লেফট ফ্রন্টনা ম্যুনিসিপালিটি অমা ফংবা ঙমখি অমসুং নৌনা শেম্বা হমরো পার্টিনা দার্জিলিং ম্যুনিসিপালিটি ফংখি। তৌইগুম্বসুং বি জে পিদি একাউন্ট হাংবা ঙমখিদে।

ত্বিটর পোষ্ট অমদা বেনর্জীনা হায়খি মদুদি, তৃনামুল কোংগ্রেসপু মীখলদা অমুক হন্না চাওনা মায় পাকহনবগীদমক ঐহাক্না মীয়াম্বু থাগৎচরি। ম্যুনিসিপাল মীখলদা মায় পাক্লবা ওল ইন্দিয়া তৃনামুল কোংগ্রেসকী কেন্দিদেট খূদিংমক্তসু ঐহাক্না হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোক্লি। মায় পাকপা অসিনা ঐখোয়গী থৌদাং অমদি কখোকপা হেনগৎপা ওইরসনু। ঐখোয়না ষ্টেট অসিদা মরা তপ্পা, নুংঙাই য়াইফবা অমদি চাউখৎপা পুরক্লবা পূন্না হোৎনমিন্নরসি।

লেফট ফ্রন্টনা নাদিয়া দিষ্ট্রিক্টকী তহেরপুর ম্যুনিসিপালিটিদা মায় পাকখি। হৌখিবা চহীগী এসেমব্লি ইলেক্সনদা সীট ৭৭ ফংদুনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মরুওইবা ওপোজিসন পার্টি ওইরকখিবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না ম্যুনিসিপাল ইলেক্সনদা একাউন্ট হাংবা ঙমখিদ্রে। কোংগ্রেসসু সীট ১ ফাওবা ফংবা ঙমখিদে। ঙক্লিংঙাই ওইরিবদি নৌনা শেম্বা হমরো পার্টিনা দাজিলিং ম্যুনিসিপালিটি ফংখিবা অসিনি। ম্যুনিসিপালিটি মরিদি হং রিজল্ট লাকখি।

ঈরাং কয়া থোকখিবা সিভিল বোদিগী মীখল অসিদা ভোট থাদনবগী চাং চাদা ৭৭ ওইখি। পোল্লিং নুমিৎতা টি এম সীগী ৱর্করশিংনা কিহনবা, অরান-অহুই তৌবা অমদি জর্নেলিষ্টশিংদা এটেক তৌবগী পাউশিং ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী লাকখি। চৈরকসিদা বি জে পিনা মীখল অমুক হন্না পাঙথোক্লবা দিমান্দ তৌখ্রে।

টি এম সীগী ৱর্করশিংনা চথখিবা ভাইওলেন্স অমদি মীখলগা মরী লৈনবা অরান-অহুইশিংগী মায়োক্তা নিংথৌকাবা নুমিৎতা বি জে পিনা পুং ১২গী ষ্ট্রাইক তৌখি। অমরোমদা, বি জে পিনা শীরিবা মরাল অসিবু রুলিং টি এম সীনা য়াখিদ্রে।

হৌজিক ফাওবদা লাউথোক্লিবা রিজল্টশিংনা তৃনামুলনা সাউথ বেঙ্গলদা পার্টি অসিগী ফীভম ফগৎহনবা ঙম্লে অমদি নোর্থ বেঙ্গলদা বি জে পিবু চাওনা মায়থীবা পীবা ঙম্লে হায়বসি উৎলি। মসিনা বি জে পিগী ষ্ট্রোংহোলনি হায়রিবা কুছ বেহার, মালদা, সাউথ অমসুং নোর্থ বিনাস্পুরগুম্বা দিষ্ট্রিক্টশিংদা সেফ্রোন পার্টি অসিগী ফীভম শোকচিল্লক্লে হায়বসি উৎলি হায়রি।

# পোলেন্দদা থুনা চঙবা য়ানবা বুদোমির্জ চ্যেক পোইন্টতা চৎনবা ইন্দিয়ন এম্বেসিনা ইন্দিয়নশিংদা খঙহনখ্রে



ন্যু দেল্লী, মার্চ ০২ (এজেন্সী):
পোলেন্দদা থুনা চঙবা য়ানবা অথুবা মতমদা বোদোমির্জ বোর্দর চ্যেক-পোইন্টতা চৎনবা নোংচুপ থংবা যুক্রেনগী লভিভ, টর্নোপিল অমসুং অতৈ মফমশিংদা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়নশিংদা পোলিশ কেপিটেল ৱারশোদা লৈবা ইন্দিয়ন এম্বেসিনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা খঙহনখ্রে।

এদভাইজরি অমদা এম্বেসি অসিনা ইন্দিয়নশিং অদুদা ক্যু শাংনা লৈবা অমদি মী মশীং য়াম্না পুল্লিবা শেহাইনি-মেদিকা বোর্দর ক্রোসিংদা চৎপগী ৱাফম খন্নদনবা হায়খি। ইন্দিয়ানা ইভাক্যুএসন মিসন অমা লোঞ্চ তৌদুনা ইন্দিয়ন নেসনলশিংবু হঙ্গেরি, রোমানিয়া, পোলেন্দ অমসুং স্লোভাকিয়াদগী হোন্দোকপগী থবক পায়খৎলক্লিবনি। ইন্দিয়নশিং অদু যুক্রেনগী লেন্দ বোর্দর ক্রোসিংশিং ফাওরগা লৈবাকশিং অসিদা চঙশিনখিবনি।

এম্বেসি অসিনা হায়, লভিভ, টর্নোপিল অমসুং নোংচুপ থংবা যুক্রেনগী অতোপ্পা মফমশিংদা লৈরিবা ইন্দিয়নশিংনা বুদোমির্জ বোর্দর চ্যেক-পোইন্টতা থুনা চৎতুনা পোলেন্দদা চঙনবা হোৎনগদবনি। মসি নৎতবা অতোপ্পা লম্বী অমনা মখোয় খারোমদা হঙ্গেরি নৎত্রগা রোমানিয়া ফাওরগা চৎপা য়াই। মখোয়না মী কা-হেন্না চিল্লবা শেহাইনি-মেদিকা বোর্দর ক্রোসিংদা য়ারিবমখৈ চঙলোইদবনি। এম্বেসি অসিনা মেদিকা অমসুং বুদোমির্জ বোর্দর চ্যেক-পোইন্টশিংদা ওফিসলশিং দিপ্লোয় তৌরে। মখোয়না চেন্থোরক্লিবা মীওই খূদিংমক ওকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা হনবদা মতেং পাংগনি।

এম্বেসি অসিনা মখা তানা হায়, ইন্দিয়ন ওফিসলশিং দিপ্লোয় তৌদবা অতৈ বোর্দর ক্রোসিংশিংদগী পোলেন্দদা চঙনবা হোৎনরিবা মীওইশিংনা জেসসোদা লৈবা হোটেল প্রেজিদেনস্কিদা দাইরেক্ট চৎকদবনি। মখোয়না হোটেল অদুদা লৈবা য়ানবা এম্বেসিনা শিন-লাংবা লোইরে। ওপরেসন গঙ্গাগী মখাদা মফম অদুদগী পাইগদবা স্পেসল ফ্লাইটশিংদা ইন্দিয়নশিংনা মরৈবাক্তো থোক্লকপা য়াগনি।

ইন্দিয়ন মহৈরোয়শিংনা শেন পায়দ্রবদি এম্বেসিনা হোটেল চৎপগী চার্জ পুথোক্কনি। ইন্দিয়নশিংগী ট্রান্সপোর্টেসন চার্জশিংসু এম্বেসিনা পীগনি। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা মীদিয়া ব্রিফিং অমদা ফোরেন সেক্রেটরি হর্শ বর্ধন সিংলানা মথংগী নুমিৎ নীনি হুম্নি অসিদা ইন্দিয়ন সিটিজনশিং হোন্নবা ফ্লাইট ২৬ সেদ্যুল্ড তৌরে হায়না লাউথোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, বুচারেষ্ট অমসুং বুদাপেষ্টতা নৎতনা পোলেন্দ অমসুং স্লোভাক রিপব্লিকতা লৈরিবা এয়রপোর্টশিংসু ফ্লাইটশিং অদু ওপরেট তৌবদা শীজিন্নগনি। ঐখোয়না অহানবা এদভাইজরি ইস্যু তৌখিবা মতমদা যুক্রেনদা ইন্দিয়ন মহৈরোয় ২০,০০০ লোম লৈ হায়না পনখি।

যুক্রেনদা লৈরিবা ইন্দিয়ন নেসনলশিংগী মশীং অসিদগী হৌজিক চাওরাক্না ইন্দিয়ন লিশিং ১২ রোম লৈবাক অসি থাদোকখ্রে। মসি যুক্রেনদা লৈরিবা ঐখোয়গী অপূনবা সিটিজন মশীংগী চাদা ৬০নি। লৈহৌরিবা চাদা ৬০ অসিগী মনুংদা তঙ্খায় অমরোমদি কনফ্লিক্ট জোন ওইরিবা খারকিভ-সুমি এরিয়াদা লৈ অমসুং অতৈ তঙ্খায় অমনা যুক্রেনগী নোংচুপ থংবা বোর্দর য়ৌখ্রে নৎত্রগা মখোয় নোংচুপ থংবা বোর্দর তম্না চৎলি। হায়রিবা মীওইশিং অসি কনফ্লিক্ট এরিয়াশিংদগী লাপথোক্তুনা মিপাইনিংঙাই ওইদ্রে হায়না লৌবা য়াই।

রসিয়াগা ঙ্ংখৎনবা হেনগৎলকখিবগা লোয়নননা হৌখিবা থাগী অথেংবা শরুক্তা যুক্রেনদা লৈরিবা ইন্দিয়ন এম্বেসিনা ইন্দিয়ন সিটিজনশিংদা লৈবাক অদু থাদোক্নবা এদভাইজরি কয়া থোক্তুনা খঙহনখিবনি। যুক্রেনগী নোংচুপ থংবা বোর্দরদা ওপরেসন গঙ্গা মপুং ফানা চথরকখিবগা লোয়ননা নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টনা মোস্কোগা তৎতনা পাউ ফাওনদুনা খারকিভ অমসুং সুমিগী ৱার জোনশিংদা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ন মহৈরোয়শিংবু অশোয়-অঙাম য়াওদনা চৎপা য়াহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি।

# লুপা ক্রোর কয়াগী ওইগদবা সী ক্যুকম্বর কেজি ১০৮০ ফারে

চেন্নাই, মার্চ ০২ (এজেন্সী):
টামিল নাদু পুলিসকী কোষ্টেল সিক্যুরিটি গ্রুপ (সী এস জি)না ইন্টরনেসনল মার্কেটতা লুপা ক্রোর কয়াগী ওইগদবা সী ক্যুকম্বর কেজি ১০৮০ ফারে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সোর্ছ খরনা ফোঙদোরক্লি।

লোনা য়াদবা মওংদা মীওই অমনা সী ক্যুকম্বর কিলোগ্রাম কয়া লীদুনা থল্লি হায়বা থাজবা য়াবা অরোনবা পাউ অমা ফংবদগী পুলিস অমসুং সী এস জিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা অক্কারাইপেটি মনাক্তা লৈবা অমনবা বিল্ডিং অমদা রেইদ চথখি।

রেইদ অদুদা সী এস জিনা য়াম্লবা সী ক্যুকম্বর লীরম্বা থেংনখি। সী ক্যুকম্বরশিং অদু লৈবাক অসিদগী এক্সপোর্ট তৌনবগীদমক্তা লোনা য়াদবা মওংদা লীদুনা থম্লম্বনি। সী ক্যুকম্বর কেজি ২৪৮দি নীংথিনা লীরে অমসুং কেজি ৮১২না লীনবা হোৎনরি হায়বসি স্লুথশিংনা খঙবা ঙমখি। রেইদশিং অদুদা সী হোর্স কেজি ৪ অমসুং শার্ককী মসা কেজি ১৫ থেংনখি। সী হোর্স অমদি শার্ককী মসাশিং অদু লীদুনা থম্লম্বনি।

ইন্টরনেসনল যুনিয়ন ফোর কঞ্জার্ভেসন ওফ নেচর (আই যু সী এন)না সী ক্যুকম্বরশিংবু কাঞ্জুল মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈবা স্পেসিস অমা ওইনা ক্লাসিফাই তৌবগা লোয়ননা সী হোর্সশিংসু অকিবা লৈরবা স্পেসিসনি হায়না ক্লাসিফাই তৌখি। শার্কশিংসু খূদোংথিবা মায়োক্নরকপা য়াবা স্পেসিসনি হায়না ক্লাসিফাই তৌখি।

সী ক্যুকম্বরশিং অদুবু লীদুনা থম্নবা মৈশা পীবা অমসুং কঙহনবদা শীজিন্নবা ষ্টোভশিং, গ্যাস সিলিন্দরশিং, টর্পোলিন শীটশিংসু রিকোভর তৌখি। পুলিস কাঙবু অদুনা কোল্ড ষ্টোরেজ বোক্সশিং অমসুং বেরেলশিংসু ফাখি।

# ইন্দিয়াগী মহৈরোয়শিংগা মরী লৈননা যুনিয়ন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম কুমারাস্বামিনা য়ানিংদবা উৎখ্রে



বেঙ্গলুরু, মার্চ ০২ (এজেন্সী):
কর্নাটাকাগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং জে দি (এস)কী লীদর ঐচ দি কুমারাস্বামিনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা হায়খ্রে মদুদি, মপান্দা মহৈ তম্লিবা ইন্দিয়ন চাদা ৯০দি ইন্দিয়াদা ক্বালিফায়রশিং পাস তৌবা ঙমখিদবশিংনি হায়বা যুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স প্রহ্লাদ জোসিগী ৱাফম অসি ঙক্লিংঙাই ওই।

যুনিয়ন লো এন্দ পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স মিনিষ্টরনা অসুম্না কম্মেন্ট পীরক্কনি হায়বসি কনা অমত্তনা থাজরোই। মফম অসিদা এম বি বি এস তম্বা অমদি যুক্রেনদা এম বি বি এস তম্বদা চঙলিবা চাদিংগী মতাংদা মিনিষ্টরনা খন্ন-নৈনবা পামদবগী মরম ঐখোয়না খঙবা পাম্মী। মিনিষ্টরগী ৱাফম অসিনা চিংনবা কয়া লাকহল্লে।

যুনিয়ন মিনিষ্টর জোসিনা বেলাগাভিদা ৱা ঙাংবদা মপান্দা এম বি বি এস তম্লিবা ইন্দিয়ন চাদা ৯০দি লৈবাক অসিদা ক্বালিফায়রশিং পাস তৌবা ঙমখিদবশিংনি হায়খি। মহাক্না মখা তারদুনা হৌজিক মহৈরোয়শিংনা মেদিসিন তম্নবা করিগীদমক্তা লৈবাক অসিদগী মপান্দা চৎলিবনো হায়বসিগী মতাংদা দিবেট তৌবগী মতম নত্তে। মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি কর্নাটকাগী মহৈরোয়শিংগী মনুংদা যুক্রেনদা এম বি বি এস কোর্স তম্লিবা নভিন শেকারাপ্পা গ্যানাগৌদা কৌবা মহৈরোয় অমা খারকিভ সিটিদা রসিয়ন ফোর্সশিংনা সেল কাপ্পদা শিখিবগা চান্ননা ফোঙদোরক্লিবনি।

কুমারাস্বামিনা হায়খি, নেসনল এন্ট্রান্স এন্দ ইলিজিবিলিটি টেষ্ট (এন ঈ ঈ টি)না থোকহনবা কাং-খোং চাইবগী ফীভমগা মরী লৈননা মহৈরোয় কয়ানা মখোয়গী পূন্সি কথোক্কদৌরিবনো হায়বসি হংবদা মতিক চারবা ৱাহংনি। নভিন শিখিবা অসিনা এন ঈ ঈ টিগী ওথেন্টিসিটি চিংননিংঙাই ওইহল্লি। মেদিকেল এদ্যুকেসন অসি ইনাক খুনবশিং খক্কী ওইরি। মসিনা লায়রবশিংগী ঈ চুপ্পী হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

# ইন্দিয়ন নেসনল ২১৮ তোংবা স্পেসল ফ্লাইট দেল্লীদা থুংলরে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ০২ (এজেন্সী):
ওপরেসন গঙ্গাগী মখাদা যুক্রেনদগী বুচারেষ্ট ফাওরগা পুথোরকখিবা ইন্দিয়ন নেসনল ২১৮ তোংবা অতোপ্পা স্পেসল ফ্লাইট অমসু য়ুমশকৈশাগী অয়ুক্তা দেল্লী এয়রপোর্টতা থুংখ্রে। মসি যুক্রেনদা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ন সিটিজনশিংবু হোন্দোক্লবা ওপরেসন গঙ্গাগী মখাদা পাইরকপা ৯শুবা ফ্লাইটনি।

যুনিয়ন মিনিষ্টর ডা. জিতেন্দ্র সিংহনা ইন্দিয়ন নেসনলশিং অদুবু এয়রপোর্টতা ওকখি। মীদিয়াদা ৱা ঙাংলদুনা মহাক্না হায়খি, মহৈরোয় ২২০ লোম ইষ্টানবুল ফাওরগা লাকখি। ঐহাক্না নুপীমচা অমদা মহাক করম্বা ষ্টেটতগীনো হায়না হংবদা মহাক ইন্দিয়াদগীনি হায়না খুম্লকখি। মখোয় হৌজিক ইন্দিয়াদা অমুক হল্লক্লে হায়বসি থাজবা ঙম্ন খিদে। ঐখোয়না মখোয়বু অহল-লমনশিংগা ৱারী শানহনখি।

ইন্দিয়ন নেসনলশিং পুবা ফ্লাইট অমসু অথুবা মতমদা দেল্লী এয়রপোর্টতা থুংলবা য়াই হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী প্লেন অনী রোমানিয়া অমসুং হঙ্গেরিদগী ইন্দিয়নশিং তোংলগা পাইখ্রে হায়রি। এষ্টিমেট অমগী মতুংইন্না লান থোক্লিবা যুক্রেনদা ইন্দিয়াগী মহৈরোয় লিশিং ১৮ পন্দুনা লৈরম্মী। অদুমওইনমক হৌজিক ফাওবদা মহৈরোয় ১২,০০০ ইন্দিয়াদা পুরক্লে হায়না ফোরেন সেক্রেটরি হর্শ বর্ধন সিংলানা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা মিনিষ্টর ওফ এক্সটর্নেল এফেয়র্স এস জয়শঙ্করনা ওপরেসন গঙ্গাগী দিভলপমেন্টশিং অপদেট তৌখ্রে। মহাক্কী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা ফ্লাইট ৬ ইন্দিয়া পাংখ্রে।

# অরিয়ান খান দ্রগ কার্টেলগা মরী লৈনবগী ইভিদেন্স ফংদে : এন সী বি



মুম্বাই, মার্চ ০২ (এজেন্সী):
এক্টর শাহরুখ খানগী মচানুপা অরিয়ান খান ইন্টরনেসনল দ্রগ কন্সপিরেসিগা মরী লৈনৈ হায়বগী ইভিদেন্স ফংদে হায়না নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরো (এন সী বি)গী সোর্ছ খরনা ফোঙদোরক্লি।

এন সী বিগী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি)না থিজিনবদা ৱাফম অসি খঙলকখিবনি। অরিয়ান খান ইন্টরনেসনল দ্রগ সিন্দিকেট অমদা য়াওই হায়না প্রুফ তৌবা য়াবা ইভিদেন্স লৈতে হায়নসু সোর্ছশিং অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি। অদুমওইনমক কন্টেক্ট তৌদুনা হংবদা ওফিসলশিং অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংউ য়াখিদে। মখোয়না গোৱা য়ৌগদবা কোর্দেলিয়া য়াটচতা চথখিবা রেইদতা অরান-অহুই খরা লৈখি হায়বা ৱাফমদমক ফোঙদোরকখি। ৱাফম অসি এস আই টিনা হৌজিকসু মখা তানা থিজিল্লি।

হৌখিবা চহীগী ওক্টোবর ২ অমসুং ৩গী লোন্নবা অহিংদা মতমদুগী মুম্বাই জোনগী হেদ সামির ৱানখদেনা লুচিংবা এন সী বিগী টিম অমনা কোর্দেলিয়া ক্রুজ য়াটচতা রেইদ অমা চথখিবনি। রেইদ অদু য়াটচ অদুদা দ্রগ পার্টি অমা চথরি হায়বা পাউ অমা ফংবদগী পাঙথোকখিবনি।

অরিয়ান খান অমসুং অতৈ খরা টিম অদুনা দ্রগ কন্সপিরেসি অমসুং দ্রগ শীজিন্নবগী চার্জশিংদা দিটেন তৌখি। ওক্টোবর ৩দা এন সী বিগী টিম অদুনা অরিয়ান খানবু ফাখি।

# তেলঙ্গনা ম্যুনিসিপাল বোদিগী ভাইস চ্যেরমেন রেপকা মরী লৈননা ফাখ্রে

হায়দরবাদ, মার্চ ০২ (এজেন্সী):
চহী নৌরিবা নুপীমচা অমবু রেপ তৌবগী মরালদা বূক তৌবদগী লোৎতুনা লাকপা নির্মল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ভাইস-চ্যেরমেন সজিদ খান য়ুমশকৈশা নুমিৎতা নির্মল টাউনগী পুলিসনা ফাখ্রে।

পুলিসনা মহাক্কী দ্রাইভর জাফেরসু ফাখি। নির্মলগী দি এস পি উপেন্দ্র রেদ্দিনা ফোঙদোরকখিবদা, সজিদ খান চহী ১৫গী নুপীমচা অমা কিদনেপ তৌবগা লোয়ননা রেপ তৌবগীদমক্তা পোক্সোগী মখাদা বূক তৌখি। ভিক্টিম অদুনা ফেব্রুৱারী ২৭তা থাঙ্গৎলকখিবা কমপ্লেন্ট অমদা য়ূম্ফম ওইরগা মহাক অমসুং অতৈ মীওই অনীবু বূক তৌখিবদগী মহাক লোৎতুনা লাকপনি। একুজ অসি অতৈ কেস খরদসু চেন্নৈ হায়না পুলিস ওফিসর অসিনা ফোঙদোকখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা রুলিং তেলঙ্গনা রাষ্ট্র সমিথি (টি আর এস)না খানবু পার্টিদগী সস্পেন্দ তৌখি। মদু পুলিসনা পোক্সোগী মখাদা রেজিষ্টর তৌখিবা মতুং মথংগী নুমিৎতনি। একুজ অসিনা হৌখিবা থাদা হায়দরবাদতা চহী ১৫গী নুপীমচা অদুবু রেপ তৌখিবনি হায়রি।

ভিক্টিমনা পুলিসতা ফোঙদোকখিবদা একুজ অসিনা মহাকপু অনুরাধা কৌবা য়ূম মপূগী মতেংগা লোয়ননা পুখি। ক্লাস আইট তম্লিবা ভিক্টিম অদুনা থৌদোক অদুগী মতুংদা চাইল্ড হেল্পলাইনগী মতেং লৌখি অমসুং ম্যুনিসিপাল ভাইস চ্যেরমেন অদুগী মায়োক্তা কমপ্লেন্ট অমা থাঙ্গৎখি। ভিক্টিম অসি মেদিকেল এগজামিনেসন তৌরবা মতুংদা আই পি সীগী সেক্সন ৩৭৬ অমসুং পোক্সোগী মরী লৈনবা সেক্সনশিংগী মখাদা খানগী মায়োক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি।

# ‘নৱাব মালিক নম্ফুদা ফম থাদোকহল্লোই’



মুম্বাই, মার্চ ০২ (এজেন্সী):
নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি)না মসিগী ফিরেপ কনশিল্লদুনা পার্টি অসিগী মিনিষ্টর নৱাব মালিক নমদুনা ফম থাদোকহল্লোই হায়না য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মহারাষ্ট্র লেজিসলেচরগী বজেট সেসন পাঙথোক্কদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা পার্টি অসিনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

ষ্টেট এন সী পি প্রসিদেন্ট অমসুং মিনিষ্টর জেন পাটিলনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, মালিকপু ফেব্রুৱারী ২৩দা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ঈ দি)না মনি-লোন্দরিং কেসকা মরী লৈননা ফাখিবা মতুংদা মহাক মখা তানা মিনিষ্ট্রি অসি পায়গনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

ওপোজিসন ভারতিয়া জনতা পার্টিনা হাউসতা চরাংনবা কয়া থোকহল্লক্লবসু ঐখোয়গী ফিরেপ্তা অহোংবা লৈরোই। মিনিষ্টর ফম থাদোকপগী ৱাফম লৈতে হায়না পাটিলনা ফোঙদোকখি।

বি জে পিবু চৈরদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি, লেজিসলেটিভ সেসন মাংওইননা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা শেমজিন-শাজিনবা মরাল কয়া শীজিনবা মিনিষ্টর রিজাইন তৌনবা তকশিনবনচিংবা কয়া অসি ওপোজিসন পার্টিগী হৈনবী অমা ওইরক্লে। পাঙথোক্কদৌরিবা বজেট সেসন অসিগী মনুংদা স্পিকর খন্নবসু এম বি এনা শেম শারে হায়না পল্লদুনা পাটিলনা ওপোজিসনদা নীংথিনা তানরগা ৱারেপ লৌনবা পাউতাক পীখি। মহাক্না মখা তারদুনা ওপোজিসনদা টি-পার্টিদা য়াওদুনা গভর্ণমেন্টগা ইস্যু পূম্নমক তানরগা লৈখায় তাথোক্লবসু আপীল তৌখি।

মালিক রিজাইন তৌদ্রিবা ফাওবা লেজিসলেচর মথৌ তৌহল্লোই হায়না বি জে পিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট চন্দ্রকান্ত পাটিলনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কিহনখিবা মতুংদা মহাক্না ৱাফমশিং অসি ফোঙদোরকপনি।

# পার্লিয়ামেন্টরি পেনেলগী মীফম পাঙথোক্লগনি, জয়শঙ্করনা মেম্বরশিংদা ব্রিফ তৌগনি

ন্যু দেল্লী, মার্চ ০২ (এজেন্সী):
কন্সল্টেটিভ কম্মিটি ওফ পার্লিয়ামেন্ট ওন এক্সটর্নেল এফেয়র্সকী মীফম শগোলশেন নুমিৎতা পাঙথোক্লগনি অমসুং যুক্রেনদগী ইন্দিয়ন নেসনলশিং মরুওইনা মহৈরোয়শিং হোন্দোকপগী মতাংদা মিনিষ্টর এস জয়শঙ্করনা মেম্বরশিংদা ব্রিফ তৌরবা য়াই হায়রি।

জয়শঙ্করনা কম্মিটিদা ওপরেসন গঙ্গাগী মখাদা পায়খৎলিবা মী হোন্দোকপগী থবক্কী প্রোগ্রেস অমদি লান থোক্লিবা যুক্রেনদা লৈহৌরিবা অতৈ ইন্দিয়নশিং এয়রলিফট তৌনবা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং খঙহনগনি। মীফম অদু অয়ুক পুং ১১ তাবদা পাঙথোক্কদবনি।

রসিয়ানা যুক্রেনগী মায়োক্তা মিলিটরি এক্সন লৌখৎপা হৌখিবদগী জিও-পোলিটিকেল ফীভমদা লাক্লিবা অহোংবগা মরী লৈননা ইন্দিয়াগী ফিরেপ করিনো হায়না পার্লিয়ামেন্টরি পেনেলনা হংলবা য়াই।

গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ইন্দিয়ানা যুনাইটেদ নেসন্স সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মীফম অমসুং যুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লি মীফমদা ভোট লৌনবদা শরুক য়াখিদবগী মরমশিংসু এক্সপ্লেন তৌরবা য়াই।

ওপরেসন গঙ্গাগী মখাদা পায়খৎলিবা মী হোন্দোকপগী থবক য়েংশিন্নবা পোলেন্দ, রোমানিয়া, স্লোভাকিয়া অমসুং হঙ্গেরিদা মিনিষ্টর মরি থাবনচিংবগী মতাংদসু মিনিষ্টরনা পেনেলদসু ব্রিফ তৌবা য়াই।

কম্মিটিগী মেম্বর অমা ওইরিবা কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা ইভাক্যুএসন মিসন অদুগী অকুপ্পশিং মরুওইনা রিজনগী ওইবা ইনফোর্মেসন খঙনবা হোৎনরকপা য়াই হায়রি। কোংগ্রেসকী অতৈ মেম্বরশিং শশি থারুর অমসুং রাজ্য সভাদা পার্টিগী দেপ্যুটি লীদর ওইরিবা অনন্দ শর্ম্মাসু মীফম অদুদা শরুক য়াগনি।



চৈরকসিদা, জয়শঙ্করনা ওপরেসন গঙ্গাগী দিভলপমেন্টশিং অপদেট তৌবগা লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা ফ্লাইট ৬ ইন্দিয়া পাংখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পোলেন্দগী কেপিটেল ৱারশোদা লৈরিবা ইন্দিয়ন এম্বেসিগী ওফিসলশিংনা নোংচুপ থংবা যুক্রেনদা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ন নেসনলশিংগীদমক্তা পোলেন্দ বোর্দরদা অনৌবা এন্ট্রি পোইন্ট অমা আইদেন্টিফাই তৌখ্রে।

ইন্দিয়ন এম্বেসিনা ইস্যু তৌবা খ্বাইদগী নৌবা এদভাইজরি মতুংইন্না লভিভ অমসুং টর্নোপিল অমদি নোংচুপ যুক্রেনগী অতৈ মফমশিংদা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়নশিংনা অথুবা মতমদা বুদোমির্জ বোর্দর চ্যেক-পোইন্টদা চৎতুনা পোলেন্দদা থুনা চঙনবা হোৎনগদবনি নৎত্রগা মখোয় হঙ্গেরি নৎত্রগা রোমানিয়া ফাওরগা থোক্লকপা য়ানবা খারোমদা চৎকদবনি।

ওফিসলশিং অদুগী মতুংইন্না যুক্রেনগী লানগী চৈথেং কা-হেন্না নংলবা সিটি অদুগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈরিবা নৎত্রগা পল্লিবা ইন্দিয়নশিংনা মী কা-হেন্না চিল্লবা শেহাইনি-মেদিকা বোর্দর ক্রোসিং ফাওরোইদবনি। ইন্দিয়ন নেসনলশিং ওক্লবা অমদি মখোয় ইন্দিয়াদা লাকপদা খূদোংচাহন্নবা ইন্দিয়ন এম্বেসিনা মসিগী ওফিসলশিং বোর্দর চ্যেক পোইন্টশিংদা দিপ্লোয় তৌখ্রে।

# সিন্দিয়ানা বুচারেষ্ট এয়রপোর্টতা ইন্দিয়ন মহৈরোয়শিংগা ইন্টরেক্ট তৌনখ্রে

ন্যু দেল্লী, মার্চ ০২ (এজেন্সী):
রসিয়া অমসুং যুক্রেনগী মরক্তা কন্না উংখৎনরক্লিঙৈ মরক্তা সিভিল এভিএসন মিনিষ্টর জ্যোটিরঅদিত্য সিন্দিয়ানা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা বুচারেষ্ট এয়রপোর্টতা ফ্লাইট ঙাইরিবা ইন্দিয়ন মহৈরোয়শিংগা ইন্টরেক্ট তৌনখ্রে অমসুং মখোয়দা থুনা য়ূমদা হনবা য়ারগনি হায়না থাজবা পীখ্রে।

ইন্দিয়ন মহৈরোয়শিং হোন্দোকপগী থবক য়েংশিনবা গভর্ণমেন্টকী স্পেসল এনভোয় ওইনা খনখিবা মিনিষ্টর ৪গী মনুংদা অমা ওইরিবা সিন্দিয়া বুচারেষ্টতা থুংখি অমসুং মহাক্না এয়রপোর্ট অদুদা ঙাইরম্লিবা মহারাষ্ট্রগী মেদিকেল মহৈরোয়শিংদা মথৌ তাবা মতেং পূম্নমক পীগনি হায়না থাজবা পীখি। মফম অদুদগী পাইগদবা ফ্লাইট মরিদা ইন্দিয়ন মহৈরোয় ১,০০০ হেন্না তোংবা য়াগনি হায়না মহাক্না মহৈরোয়শিংদা ফোঙদোকখি।

ত্বিটর পোষ্টতা মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, বুচারেষ্ট এয়রপোর্টতা ফ্লাইট ঙাইরিবা মহৈরোয়শিংগা উনরগা ইন্টরেক্ট তৌনখি। লান নংলবা লৈবাক্তগী চেন্থোরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা য়াম্না থুনা য়ূম য়ৌরগনি হায়না থাজবা পীখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং ইন্দিয়া পূম্বনা মখোয়বু হল্লকপা ঙাইরি হায়না সিন্দিয়ানা পোষ্ট অদুদা মখা তানা ইখি। ইন্দিয়ানা ওপরেসন গঙ্গা লোঞ্চ তৌদুনা যুক্রেনদগী চেন্থোরকপা ইন্দিয়ন নেসনলশিং হোন্দোকপগী থবক পায়খৎপা হৌখিবনি। যুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা মথংগী নুমিৎ হুম্নি অসিদা ফ্লাইট ২৬ ওপরেট তৌদুনা ইন্দিয়ন নেসনলশিং হোন্দোরক্নবা থৌরাং তৌরি। ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টকী এষ্টিমেট অমগী মতুংইন্না লানগী চৈথেং নংলবা যুক্রেনদা হৌজিক মহৈরোয় ১৮,০০০ পন্দুনা লৈরি। হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ন ১২,০০০ যুক্রেনদগী হোন্দোরক্লে। মসি লৈবাক অদুদা লৈরিবা ইন্দিয়ন অপূম্বগী চাদা ৬০নি হায়না ফোরেন সেক্রেটরি হর্শ বর্ধন সিংলানা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, গভর্ণমেন্টনা পায়খৎলিবা ইন্দিয়ন নেসনলশিং হোন্দোরকপগী থৌরাংগী অকুপ্পশিং খঙহন্নবা কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা দিমান্দ তৌখ্রে। মহৈরোয় কয়া হৌজিক পন্দুনা লৈরি অমদি রিজনগী ওইবা হোন্দোকপগী থৌরাং খঙহনগদবনি হায়খি।